# সি এ বি অসি অসামদগীদি মণিপুরদনা হেন্না চাওবা ইশু ওই: হিমন্ত বিস্বা

গুৱাহাটি এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) ঃ সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অসি অসামদগীদি মণিপুরদনা হেন্না চাওবা ইশু ওই। অদুবু বিল অসি অমুক হন্না পুথোক্লকপা মতমদা মণিপুরগী মীয়াম্না ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অদু কোনশিনগনি হায়না থাজবা পীখিবা লৈখ্রে হায়না নোর্থ ইষ্ট দিমোক্রেটিক এল্লায়েন্স (নেদা)গী কনভেনর ওইরিবা অসামগী মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।

এক্সপ্রেস ন্যুজ সার্ভিসকা ৱারী শান্নবা অমদা মহাক্না ফোঙদোকখি, নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন অপদেট তৌদবা মফমদদি সি এ বিগী চন্নফম লৈরোই মরমদি কনাগুম্বা বাংলাদেশতগী মীওই অমত্তনা ধর্ম্মগী ওৎ–নৈবনা মরম ওইদুনা লাক্কে হায়রক্লোই। হিরম অসিদা ৱারী ৱাতাই শান্নরবা মতুংদা সি এ বি অসি ইলেক্টোরেল ইশু অমা ওইখিদ্রে।

অসামদদি সি এ বি শৌগৎপা মশীংনা মসিবু য়ানিংবা মশীংদগী হেন্না য়াম্মী। অসামদদি মী মখল কয়া লৈবনিনা সি এ বিগী কট ওফ দেট ওইরিবা দিসেম্বর ৩১,২০১৪গী মমাঙদা লাকখ্রবা বেঙ্গলি হিন্দুশিং লৈহনবদা ষ্টেটতা শোক্কদবা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না হায়, সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা অসাম একোর্দতা অকায়বা পীবনা মীওই সেক্সন খরানা সি এ বি গী মাইয়োক্তা লৈ। অদুবু মীয়ামগী মরক্তা মত মান্নদবা লৈ। মীয়ামগী ৱাখলদা নরেন্দ্র মোডি অমুক হান্না হল্লকপনা সি এ বি নৈনবদগী হেন্না মরুওই হায়না লৌই। মসিনা মরম ওইরগা মীখলগী প্রোসেস মরক্তা সি এ বি গী ৱাফম অসি তুংওইনখ্রে হায়না লৌই। কোংগ্রেস ওইরসু এ জি পি ওইরবসু ৱাফম অসি পুথোকরকখিদ্রে। সি এ বি গী ইশু অসি অচৌবা ইশু অমনি হায়না লৌদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অৱাং নোংপোক লমদমদা বি জে পিগী ফিভমগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সিকিম য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী পুন্না লোক সভাগী সিট ২৫ লৈবগী মনুংদা ১৯দগী ২১ ফাওবা বি জে পিনা ফঙগনি।

## ‘লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিয়ু’

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৫ (এস এন এস) ঃ থা অসিগী ২২দা মিনুথোঙ্দা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা শোক্লবা কোন্সম সন্তোস লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না সি সি হয়ার সেকেন্দরি স্কুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরী তোংব্রম নরাদয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী সঞ্জেম্থোংদা লৈবা সি সি হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা স্কুল অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা তোংব্রম নরাদয়ানা মখা তানা হায়খি হৌখিবা এপ্রিল ২২দা মিনুথোঙ্দা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা স্কুল অসিদা ফিজিক্সকী লেকচর ওইরিবা কোন্সম সন্তোস শোক্তুনা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নখি। ওঝা অসি মশা লায়েংবদা মহাক্কী লন–থুম অয়াম্বা লোইখ্রে। স্কুল অসিগী ওঝানি হায়না খনবা নত্তবীদা লমদম অসিগী মীওই অমবু অসিগুম্বা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা শোক্তুনা লৈরগা লৈঙাক্লা করিগুম্বা অমত্তা মীৎয়েং চঙদবসি পেন্দে। ওঝা অসিগী লায়েংবদা চঙখিবা শেলশিং লৈঙাক্লা হঞ্জিনবীগদবনি। করিগুম্বা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা থৌদোক অদুগী মতাংদা লংলা–লংজিন পুথোক্তবদি অমদি ওঝা অসিগী পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন পীবা তারগদি স্কুল অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন,টিচিং অমসুং নন–টিচিং ষ্টাফশিংনা অমত্তা ওইনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# এসিয়ান হায়ৱে প্রোজেক্টনা য়েল্হৌমীশিং মুৎখ্রগদ্রা হায়বগী অকিবা ফাওনরেঃ অখঙ অহৈশিং

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৫ (এস এন এস): হান্না নেস্নেল হায়ৱে ৩৯ ইম্ফাল টু মোরে লম্বী অসি ইন্দিয়াগা ম্যান্মর ফাওরগা সাউথ এসিয়ান লৈবাক্কীশিংগা শম্নবগী থৌরাংদা এসিয়ান হায়ৱে নম্বর ১ হায়না ওন্দুনা লম্বী অসি পাকথোক–চাওথোকপগী থবক চৎথরিবা অসিগী প্লান সাইদ অমসুং লেভর কেম্প সাইদ লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা মনাক নকপদা খুন্দরি খাংশিং ভিলেজতা অশুক্কী মতিক অৱাবা চৈথেং কয়া পীরে। মদুনা মরম ওইরগা য়েল্হৌমী ওইরিবা উইপো (খোইবু ত্রাইব) অসি মুৎখিগদ্রা হায়বগী অকিবা খুঞ্জাশিংদা ফাওনরে হায়রি।

ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খাংশিং ভিলেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা খুল অসিগী কে খোংশাং মেমোরিয়েল মীপুনশঙদা এসিয়ান হায়ৱে প্রোজেক্টকী মতাংদা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা অখঙ–অহৈ কয়ানা প্রোজেক্ট অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লন্দুনা খন্ন–নৈখি।

থৌরম অদুদা এসিয়ান হায়ৱে প্রোজেক্ট অসিগী ওথোরিটি ওইরিবা এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এদিবি) অমসুং নেস্নেল হায়ৱে এন্দ ইনফ্রক্টচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এনঐচআইদিসিএল) অনীনা খোইবুং ফুরুপ্পু কনবগীদমক্তা ইনভাইরোমেন্টেল মেনেজমেন্ট প্লান অমা প্রোজেক্ট অসিনা লৈরিবা প্লান সাইদ অমদি লেভর কেম্প, সাইন অমসুং খাংশিং ভিলেজগী অকোইবদা পায়খৎলক্কদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

ঙসিগী থৌরম অদু খাংশিং ভিলেজ গী চীফ খালিং মিকালরৱাংনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা প্রোজেক্ট দিটেলস– এনঐচআইদিসিএল, জিআরআইএল অমসুং জেকেএসকী মতাংদা মীয়ামদা শুগাইনা তাখি। নাগা ৱুমেন্স য়ুনিয়ন মণিপুর এন দব্লিউ য়ু এমগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট গ্রেস শৎশাংনা ইম্পেক ওফ দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট নাগা পিপল মুভমেন্ট ফোর হ্যুমেন রাইট, এন পি এম ঐচ আর সাউথকী কো কনভেনর কৌরুফুন তানতাঙ্গানা ইন্দিজিনস পিপল রাইট হায়বা হিরমশিংদা অখঙ–অহৈ (রির্সোস পার্সন) ওইনা ৱা ঙাংখি।

ৱা ঙাংখিবশিংনা ফোঙদোকখিবদা এ ঐচ ৱান হায়না মিংথোনবা সাউথ এসিয়ান সব রিজনেল ইকোনিক কোর্পোরেসন রোর্দ কনেক্টিভিটি ইভেসমেন্ট প্রোগ্রাম হায়না এ দি বি অমসুং এন ঐচ আই দি সি এলনা ওথোরিটি ওইদুনা পায়খৎলক্লিবা প্রোজেক্ট অসি ইম্ফালদগী খোঙখাং ফাওবা পূন্না ৬৫.৬৮ কিলোমিটরগী অশাংবনি। হায়রিবা অপুনবা ৬৫.৬৮ কিলোমিটর শাংবা অসিগী মনুংদা ২০ কিলোমিটর শাংবা লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী শরুক অমনা ফোরলেন্দ ষ্টেদর্দদা অদুগা লেমহৌরিবা ৪৫.৬৮ কিলোমিটর শাংবা ৱাংজিংদগী মোরে ময়াগী খোংখাং ফাওবনা টু লেন্দ ষ্টেদর্দতা লম্বী পাকথোক–চাওথোকপগী থবক কন্না চখরি।

হায়রিবা এঐচ ১ অসি পাকথোক–চাওথোকপদা খাংশিম ভিলেজগীসু লম খরা শোক্তুনা য়াওখ্রে। লম শোকপগী কম্পেন্সেন দি মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী পীরকখ্রে।

অদুমকপু হৌজিক লম অদু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিগী মখাদা লৈগদৌরিব্রা নৎত্রগা লৈরোইদৌরিবা হায়বা চমম্নবা অমদি লৈরি। অমরোমদা প্রোজেক্ট অসিগী প্লান সাইদ অমসুং লেভর কেম্প সাইদ লৈরিবা অসি উইপো (খোইবু ত্রাইব) না খুন্দাবা খাংশিম ভিলেজগী মনাক্তনি। অদুনা য়েল্হৌমী (ইন্দিজিনস) ওইরিবা খোইপুগী মীয়ামদা মেন কেম্প অমসুং লেভর কেম্প লৈশিনবা অসিনা মহৌশাগী ওইনা লৈজরিবা শক্তমদা অতৈ মরম (এনিহিলেসন) কয়ানা মরম ওইদুনা ফুরুপ অসিগী মীশিং (পোপুলেসন) দা অকাইবা পীরক্কনি হায়বগী অকিবা ফাওনরে। অদুগী মথক্তা মেন কেম্প অসিদা ষ্টোন কলচর, হোদ মিক্স প্লানশিং থমজিনবনা মতম শাংনা কুইনা লৈখিদবা ঈশিং–নুংশিৎ শেংহনদবা থোকহন্দুনা খুঞ্জাশিংগী নোংমগী পূন্সি মহিংদা, হকশেলদা অমসুং লৌউ –শিংঊদা অমাংবা থোকহন্দুনা মীওই কয়া শ্বর হেনবগী অমদি কেন্সর লায়না নহল্লকপগী য়াবগী চাং ৱাংনা লৈরে।

লেভর কেম্পতা শিজিন্নরিবা গারীশিংদগী থাদোরকপা থাউথি অরেম অখাকশিং অসিনা ঈশিং মোৎশিনহনবা তৌদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়াসু পীরক্লি। ফন্দিং এজেন্সি ওইরিবা এদিবি গী গাইদ লাইনদা মেন কেম্প অমসুং লেভর কেম্পশিং ১.৫ কিলোমিটর লাপ্পনা থমগদবনি হায়রবসু ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিনাদি গাইদ লাইন অদু ইনবা তৌদ্রি। অদুগা মেন কেম্প অমসুং লেভর কেম্প অনীসি থম্নবা লম লৌশিনবা তৌখিবদসু খাংশিম ভিলেজ ওথোরিটিগসু ৱা খন্নরম্বসু তৌখিদে।

হৌজিক মালেমগী ওইরিবা কৈথেলশিংগী ফিভম অসিদা ফ্রি ত্রেদ রিজম অসিনা মরম ওইদুনা খোইবুশিং অমদি মণিপুর লৈরিবা য়েল্হৌমীশিংগী শেন্মিৎলোন লাকচগদবা শুবা–নোংমগী লমদা অচৌবা চৈথেং অমসু পীরক্কনি হায়বগী অকিবা অদু মীয়াম্না ফাওরে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

মরম অদুনা খোইবু ফুরুপ অসিবু মুৎখিদবনা কনবগীদক মরী লৈনরিবা ওথোরিটিশিংনা তুংগী ওইক্কদবা ফিভমশিং অদু উবিরগা ইনভাইরোমেন্টেল মেনেজমেন্ট প্লান অমা পায়খৎকদবনি হায়খি।

# এম ঐচ আর সিনা সু মোতো কেস লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৫ (এস এন এস) ঃ মণিপুরদা ফোঙবা পাউ–চে অমদা রিমস রোডঅসি সুৱেজ প্রোজেক্ট লোইশিনদবনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়না ফোঙলকপা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না সু মোতো কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

পাউ অদুদা রিমস রোডতা লৈবা সোইবমতা লাঙ্গোলনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম,‘ ঐখোয়না লম্বী অসিদা এক্সিদেন্টশিং থোকপা উরে। ষ্ট্রিট লেম্প লৈতবনা মরম ওইদুনা এক্সিদেন্ট থোক্লিংঙাই ওইহল্লে। লমদমদুগী মীয়াম্না মরন্নাই শেল পুথোক্লগা ষ্ট্রিট লেম্প থাল্লবসু কুইনা চৎতে’ হায়বদু কম্মিসন্না লৌখৎখি। লোয়ননা রিমসকী এম্বুলেন্স দ্রাইভর অমনা ফোঙদোকখিবদা,‘লম্বী–লমশাং অসি চখোক–চৎশিন্দা য়াম্না নুংঙাইত্রে। অপীকপা লম্বীদা ডবল পার্কিং তৌশিনবা অমদি পোৎহোল লৈবনা অথু–অকায়গী এম্বুলেন্স চৎপদা অকায়বা য়াম্না পী’ হায়নসু পনখি।

মথক্কী ৱাফমশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট ১৯৯৩গী সেক্সন (এ)গী মখাদা সু মোতো কেস অমা রেজিষ্টার তৌখিবনি।কম্মিসন্না ডিপ্যুটি চীফ সেক্রেটরী (ৱার্দ), চীফ ইঞ্জিনিয়ার পি দব্লিয়ু দি, এম এস পি দি সি এলগী মেনেজিং ডাইরেক্টরদা মে ২০ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

মখা তবা প্রোসিদিং মে ২০দা অমুক পাঙথোক্কদৌরি।

# য়ূমদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা লৈবা ডোক্তর থোকচোম চিতো (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ধনেশ্বর কৌবা মীওই অমগী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৪৫ রোম তাবা মতমদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে।

য়ুমগী গেটতা পানবা সি সি টি ভি ফুটেজগী মতুংইন্না বোম অদুগী ঙরাংগী পুংফম অসিদা গারী মচাদা লাকপা মশকখঙদবা হেলমেট উপ্পা মীওই অমনা লংশিল্লম্বনি হায়রি। বোম অদু চিতোগী য়ুমগী গেট মনুংদা তারগা পোকখায়বদগী গেটতুগা হেক তাইননা লৈবা গ্রাউন্দ ফ্লোরদা খামদুনা থম্বা অল্টো অমগা, ভর্ননা অমগা বোম মচেটনা পানবদগী চাওনা অমাং অতা থোকখ্রে। থৌদোক থোকফমদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎ–খ্রে। লংশিল্লম্নীবা বোম অদু হেন্দ গ্রেনেদ ওইগনি হায়রি। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি চিতোগী য়ুমগী গেটতা লৈকাই মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা ফোঙদোক–খবদা মমাঙদা ৱার্নিং পিবসু অমত্তা তৌদনা বোম লংশিন্দুনা হেক্তা পো–খায়হনবসি য়ানিংদে। লুপ অমত্তনা দিমানদনচিংবা তৌরকপসু লৈখিদে। অসিগুম্বা থৌওং অসি কনানা করিগীদমক চথ–বীরম্বনো। লাইবক ফবদগী য়ুমগী মীওইশিংনা তুম্বা চংনখিবগী অশোক অপন য়াওহৌদবনি। নৎত্রবদি চাওনা অশি–অনা থোক্লমগনি।

মীরক্তা বোম লংশিনবগী থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না চথবীগনু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# কে ৱাই কে এলগী মপোক কুমওন নুমিৎকা...

*ঙরাংগী মখা...*

ইনাক খুনবসু হেল্লি, লাইরিক হৈবশু হেল্লি, লৌশিং লৈবশু হেল্লি,ৱা ঙাংবশু হৈবা হেল্লি অসুম্না হীরম খুদিংমক্তা মখোয়না হেল্লি হায়না খল্লগা ঐখোয়দি মখোয়গী মখাদা লৈবসি মশানা তাবনি হায়না খল্লকি–খবনি। মসিবুনি কোক লোই চনখিবা হায়রিবসি।

মহৌশানা কোক লোই চনখ্রবা মী ওইরক্তে। কোক লোই চনখ্রবদি ৱাখল পঙশিল্লি, থৌনা য়াওদে, পাঙ্গল শোল্লি, মীরক তিনিংদে, মীমান্নবা ঙমদে। কোক লোই চনখ্রবা মীদি মী–তংখাই (সেমী হ্যুমেন) ওইরকই। মসি মীবু ওইহন্দবা (দিহ্যুমেন্নাইজেসন) হায়বদুনি।

ঙসি ঐখোয় ‘ঐখোয়সু মীনি’ হায়বগী ৱাখল থাদোক্তুনা ময়াংগী মখাদা লৈত্রিবদি হিংবা ঙম্লরোই হায়না খল্লক্লবনি। পোলিটিক্সকী লৈঙাক্কী লোশঙলোই ওফিসার অচৌবশিং অমদি ইনাক কৈরাক খুনবশিং শম্না মচিন তোংবশিংনা ময়াংগা তিন্নদ্রবদি চাওখৎপা অমদি মীমান্নবা ঙম্লরোই হায়না খল্লক্লে।

মখা তানা ময়াং ওইনিংলক্লবদি ময়াংগী ফীজোল হৈনরকপা ময়াং ঈশৈ পাম্লকপা ময়াং লোন পাম্লকপা ময়াং চাক–চা চারকপা ময়াংগী ৱাখল খুৎখন খল্লকপা ময়াং চরৌ মরৌনরকপা পূম্নমক অসি ময়াং ওইনিং লক্লপগী খুদম্নি।

অসিগুম্বা ফীভম অমা ঐখোয়গী খুন্নাইদা লাক্লিবা অসিগী মরমদি ঐখোয়না নারিবা মীঙোন্দা তাংজরুবগী লায়না (দিপেন্দেন্স সিন্দ্রোম)অসিনি। ১৯৪৯ গী মমাঙদা মীতোপতগী শেল শিকি অমা লৌদনা মীমান্ননা, ৱাৎতা পাদনা হিংজরম্বা ঐখোয় অদু শেনমীৎলোন্দা ইন্দিয়াদা চাম্মদা চাম্মা তাংজরকপগী ফীভম অমা লাক্লবনি। মসিগা ইরোইন্না ইমুংশিংসু ইন্দিয়াগী অমদি ষ্টেটকী লৈঙাক্তা অমদি ময়াং করবারৱালাশিংদা অয়ৌবী থাক্তা তাংজবগী ফীভম অমা লাক্লবনি। ঐখোয় দিল্লিদগী নিরুদ্রবদি হিংবা ঙমদবা লৈবাক ওইরক্লে।

ঐখোয়গী পোলিটিসিয়ানশিংগী মথৌদি দিল্লিদগী শেল নিরুবনি ঐখোয়গী ভূজিনেসমেনশিংগী মথৌদা ময়াং কবরৱালাশিংদা নপ্পগা করবার তৌবনি। দিল্লিগী হুইরোই ওইদবা পোলিটিসিয়ান অমত্তনা ষ্টেটকী লৈঙাক পায়বা ঙমদে। ময়াং ওফিসারগী খাওবুনাই ওইদবা ওফিসার ফম কাবা ঙমদে। ময়াং করবারৱালাশিংগী পাউখোল্লোই ওইদবা ঐখোয়গী করবৱালা হিংবা ঙমদে। মসিগী মথক্তা ময়াং লমদা থাদুনা মহৈ তমহনদ্রবদি ইচাসু মী ওইররোই খন্নরক্লে।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ইশাদা থাজবা লৈরক্তবা তাবনি। ইশাবু হন্থনা খনবা তাবনি। খরা হেঞ্জিল্লক্লগা ইশানা ইশাবু হংগোইজরকপা অসিসু মীওইবগী হৌনশা নি।

ইন্দিয়াদা য়াওবা চহী ৭০ অসিদা খুন্নাইদা থোক্লিবসি, অহানবদা নমফুদা অমসুং পঙ্গলনা লৈবাক অমদি ঐখোয়গী পোলিটিক্স খুদুম চনখিবা, মথংদা শেনমিৎলোন মথং মথং...

# তরুকশুবা ইন্দিয়ান কোলোনিয়েলিজম ...

*লমায় ১গী মখা*

লমচৎ কাম্নরকপা,শু–নোমদুনা হিংবগী মহুৎতা অকে–অমৌদা থৱায় য়াওনরকপা,ইথক–ইরাংদা তাওদুনা মপানদগী লাকপা মীতোপশিংগা লমদমসিগী ইচে–ইচলশিংগা শানৈ–য়ুনৈবগী থবক চখদুনা খম থেংনা মোরেল মাঙশিল্লকপা কয়া অসি ইরমদম কংলৈপাকনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চহী কয়া লৈরকপগী মহয়নি হায়রি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংনা লৈবাক অসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা দেমোক্রেসি ৱাংনা চৎপা লৈবাক অমনি হায়না লাওজরবসু ইন্দিয়া মনুংদা দেমোক্রেসিগী অশেংবা মশক অদু উবা ফংদ্রি। শেঞ্জাও পায়বা অঙম–অথৌ ফম্নাইবাখক্তনা খূৎলিংদুনা লৈঙাকপা য়ূমফম ওইবা লৈবাকনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। শেঞ্জাও পায়বশিংনা তৌনিংবতা তৌবা, চানিংই–থক্লিংই ঙাংনিংই হায়দুনা পংঙাংদা ঙাংবা কা–হেনবা মনিংতম্বা লৈবা অমদি মরন্নাই খুদোংচাবদা থবক তৌবা লিভরলিজর্মগী ৱাখল্লোন লৈবা লৈবাক্লি। কংলৈপাকতা দেমোক্রেসিগী পনখৈগী ৱাংমদা লিভরলিজমগী অরানবা লিচৎ, খূৎপু খারদা তম্বিবা হৌরক্লি। দেমোক্রেসি রাইটনি হায়না কা–হেন্না মনিংতম্বা লৈহন্দুনা অমদি শেল–থুমদা মিকাবা পোকহন্দুনা মশা মশাগী মরন্নাইগী কান্নবা থিবা তম্বিরি। অসিগুম্বা ঙসিগী খূন্নাইদা শাফু লৈনা শনে দারক্লিবা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবগী অমত্ত ঙাইরবা উপায়দি ইন্দিয়ানা নমদুনা মুনখিবা কংলৈপাক্কী নীংতম্বা অমুক হঞ্জিলহন্দুনা মনিং তম্বা চাওখৎপা মান্নবা খুনাই অমা শেম্নবত্তদা ওইথোক্কনি।

মীওইবা খূন্নাইনা থাক ৱাংনা চাউখৎলকপা হায়বসি এদুকেসননা মপুং ফানা চাউখৎলবত্তা ওইথোকই। হ্যুমেন রিসোর্চশিং মরু ওইনা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিং স্পোর্টস পার্সন, খূৎশা হৈবা, ঈশৈ, দ্রামা অমদি আর্টিসশিংদগী হৌরগা অতৈ–অতৈ লমশিংদা টেলেন্ট লৈজবা কংলৈচা কয়া থোরক্লি। লোয়ননা মশা–মশাদা লৈজরিবা টেলেন্টশিং মপুং ফানা ফোঙদোকহনবা মথৌ তাই। অদুবু ইরমদম কংলৈপাক ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক মনুংদা লৈরুবনা টেলেন্ট লৈজবা মীওইশিং নমশিন্দুনা থম্বিরি। টেলেন্ট লৈবা শান্নরোই ফাওবা ইন্দিয়া শিংনা নমথদুনা থম্বিবগী ৱাথোক কয়া ঐখোয়না মশীং থিঙমদনা থেংনখ্রবনি। মরম অসিনা ঐখোয়না ঐখোয় মীয়ামগী অশেংবা লৈঙাক অমা লিংজদুনা রিসোর্চশিং অসি মপুং ফানা শিজিন্নবা মথৌ তারে। অমসুং হীরম কয়াদা দিপ্লোমা দিগ্রী ফঙলবা মীওইশিংনা মশাগী টেলেন্টশিং মনিং তম্না ফোঙদোকহন্দুনা মালেমগী লৈরিবা তোঙান–তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াহনবা মথৌ তাই। মদু নৎত্রবদি ইন্দিয়া ষ্টেটশিংদা নোনজদুনা থবক মচা অমা ফঙনবা কোইথি থিরুবগী ফীভম লৈগনি। ঐখোয় মালেমগী থবক্তা চাওখৎপা লমজেল শরুক য়াদুনা মীথোই–মীহেনবা ঙম্লোই। ইন্দিয়ন কোলোনেলিজম্না কংলৈপাক্কী হ্যুমেন রিসোর্চশিং নমথদুনা থল্লিবা অসিদা নৎতনা নেচরেল রিসোর্চশিং মরু ফঙনা মাংহন্নবা হোৎনবা লেপ্পা লৈত্রি। কংলৈপাক মপু পানদবা লৈঙাক অমাগুম্না। মপানদগী হায়জিল্লকপা রিফ্যুজিশিংনা জিরিবাম অমদি চীংগী লমশিংদা খুন দাশিল্লক্তুনা উমং–ৰামং পাক্তকন্না কোথোরক্লি। মসিনা মহৌশাগী খলদা অকায়বা থোকহল্লক্লি।

অমরোমদা লান্মীগী মীহাৎ–মীপুন, মীওৎ–মীনৈদা য়ূমফম ওইরগা লোইলম থৌশিল মায় পাক্কনি হায়না খঞ্জবা লোই মপু ইন্দিয়াগী থৌশিল থৌরমদা লমদমশিংগী মীয়াম্বু অৰা চৈথেং কয়া নংহল্লি। লোই লৈঙাক্কী মখূৎতগী নীংতম্বা হঞ্জিনহনবা লাম্থেংগী ময়োক্তা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিএল পাৱর এক্ট (অফস্পা)–১৯৫৮ অমদি অতৈ দ্রকোনিয়ন লো কয়া লমদমসিদা চলাইদুনা ইরমদম কংলৈপাক মালেমগী লৈমায়দগী কাঙখুল ফাওবা মুৎখিনবা মখল কয়াগী লাল্লোং চৎথরক্লি। মসিদসু নৎতনা শাশিন্নবা খুৎ থোক্নবা কয়াদা লমদমসিগী করিসু খঙজদবা মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়া হাৎতোকপি–খবা, মফম খঙদনা মাংহনখিবা অমসুং মপুন্সিগী শোইনাইবা ওইহন্দুনা ওৎ–নৈখিবগী থৌদোক কয়া মশীং থিঙমদনা লৈখ্রবনি। মীওৎ–মীনৈগী থোকখিবা থোদোক অমনা য়ুএনগী চৎন–পথাপ ৰাংমদা মীওইবগী হকপু খোঙনেৎনবদা নৎতনা ইরমদম অসি তক্না তুম্না মাংখিবা য়াবগী মওংদা পাক্তক –মীহাৎকী থৌদোক কয়া মশিং খঙদনা থোকখ্রে। থৌদোকশিং অসি মরক্তা মরৈবাক নুংশিজবশিংগী থম্মোয়দা মৈ চুবগুম্না থোকখিবা অমসুং নীংতম য়াওল লাম্থেংগী মৈরীবু মৈথৌ হেন্না হাপকৎতুনা ইরৈচশিংদা লমৈগুম্না চাকহনি–খবা লোইলম লৈঙাক্কী অহানবা থৌদোক অদুগী ১৯৮০ এপ্রিল ২৬তা পাৎশোই লাংজিং পুৰারী ময়েক লানা ইরিবা কাউঙম্লরোইদবা থৌদোক অদুনি। অসিগুম্বা পুৰারী লাতমদা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরবা কাউঙমদ্রবা নুমিৎ ৬ শুবা ইন্দিয়ান কোলোনিলিজম রেসিষ্ট দে ২০১৯ না লাকপদা আই ও এফনা লমদমসিদা চৎথখিবা পাক্তক মীহাৎশিং অমসুং মীওৎ–মীনৈশিং অসিদগী ঙাকথোক্ল বগীদমক্তা লোই লৈঙাক্কী শরুক ওইবা নাৎ অমসুং খুনাইরোল মরা তাহনবদগী লোয়ননা লমদমসিগী লৈমায়দগী লোই লৈঙাক মরু ফংনা ফুক্তোক্লবা মীয়াম পুন্না খোঙফম অমত্তদা লেপমিন্নরসি।

# কে ৱাই কে এলগী ২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম ...

*লমায় ১গী মখা*

য়াওল–অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা পীদুনা হৌদোকখি।

চীং লেম্লবা থৌরম অদু য়াওল্লুপ অসিগী ফোরেন এন্দ রিজনেল এফিয়ার্স সেক্রেটরীনা থৌরম মপু,কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ হিজম ইবোমচানা অথোইবা লেঙবীরকপা,অহানবা বট্টালিয়নগী কেম্প কম্মান্দর পাথৌ মেজর ধনা অমদি কে সি পিগী কম্মরেদশিংনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

য়াওল্লুপ অসিগী কেপ্টেন তন্না লূপ অসিগী চিয়ারমেন এন ওকেনা মীয়ামদা পীবা য়াইফ পাউজেল পাথোকখ। মতুং তারকপদা থৌরম অসিদা লূপ অসিগী ফোরেন এন্দ রিজনেল এফিয়ার্স সেক্রেটরীনা পীবা থৌরম মপুগী ৱারোলদা হৌরিবা য়াওল ঈহৌ অমদি ঐখোয়না হৌজিক থেংনরিবা নীংতম লাম্থেং অসিগী মরুওইবা ফোঙদোকখি। থেংনরিবা নীংতম লাম্থেং অসি অরুবা তাঙ্কক অমদা চঙশিল্লক্লি অমদি মসি থেংনমিন্নবগীদমক লমদমসিগী য়াল্লুপ খুদিংমক পুনশিনমিন্নবগী মথৌ তাবদু ময়েক শেংনা থমখি। ওইরক্লিবা খা–নোংপোক এসিয়াগী জিও–পোলিটিকেলগী ফিভম অসিদা ৱেসিয়া লমদমগী য়াওল্লুপশিংনা পুনশিন্নদুনা অপুনবা য়াওল পাঙ্গল অমা শাগৎমিন্নবগী মথৌ তাবা অদু ফোঙদোকখি। লোয়ননা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্না মশাগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা নীংতম য়াওল ঈহৌ পীরিবা মরু ওইবা অসি মীপুম খুদিংমক্লা খঙমিন্নবা চংই হায়খি। ইনিদয়াগী লোইলম ওইদুনা মীখা পোন্দুনা লৈরিবা ৱেসি লমদমগী ফুরুপ খুদিংনমক্কী মপুংফাবা নীংতম্বা পুরক্লিবা মখৈ ফুরুপশিংগী শক্তম ঙাক্লা নীংতম্না হিংবা ওইথোক্লোই হায়খি। ঐখোয় খুদিংমক্কী মাঙদা তারিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা অপুনবা থৌদাংদি লাম্থেংনা নীংতম্বা পুরকপা অদুনি হায়না মরিক চুম্না থমখি।

২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসিদা অথোইবা লেঙবিরকপা ওইখবা কে সি পিগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, হিজম ইবোমচানা থমখিবা ৱারোল লিক্লম অসিনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অমদি য়াওল লূপশিংনা লৌমিন্নগদবা থৌদাংগী মরু ওইবা ফোঙদোকখি। হৌজিক ঐখোয়না থেংনরিবা য়াওল লাম্থেং অসিদা পীরক্লিবা খুদোংচদবা, পীরক্লিবা চৈফু–চৈথেং অসি নিংহন্নদনবা থেন্নবগীদমক য়াওল্লোই খুদিংমক্লা য়াওলগী মপুং ফবা ৱাখল্লোন ঙাক্লা থবক তৌমিন্নবা চংই হায়খি। কংলৈপাক অমদি ৱেসি লমদমদা ইন্দিয়াগী লোইলম লান্মীনা পীরক্লিবা কাউন্টর–রিভোলুসনগী শফু মপুং ফানা মায়োক্নদুনা ঐখোয়গী য়াওল ঈহৌ অসি করম্না মাঙলোমদা চৎখৎসিগে হায়বসি খনমিন্নবা মতম য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী কে ৱাই কে এলনা চহী ২৫ শুরকপগী মপোক কুমওনগী থৌরম অসিগী সেকেন্দ বটালিয়ন, থার্দ বটালিয়ন অমদি য়ুনিৎশিং, টেক্টিকেল য়ুনিৎশিং, মোবাইল য়ুনিৎশিং,কংলৈপাক অমদি কংলৈপাক্কী মপানদা লৈবা শঙলূপশিংদসু মপুং ফানা পাঙথোকখি।

# কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না ...

*লমায় ১গী মখা*

অসি কেস অসিগা মরী লৈননা বেল আউটনা লৈরুরবসু ঙসি দিফেন্স কাউন্সেলগা লোয়ননা কোর্ট কারকখি।

কেস অসি ভিক্তিম ওইহৌরবী নুপী অদুগী মপানা কুমজা ২০১৫গী জুলাই ২২দগা ইম্ফাল ইষ্ট ৱুমেন পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎ চে অমা পিরকপগী মতুং ইন্না লৌখৎখিবনি। ৱাকৎ চে অদুদা পল্লিবদি কুমজা ২০১৫গী জুলাই ১৯দা মহাক্কী মচানুপীবু মশানা য়াদনা ফাবিখ্রে হায়বসিনি। মদুগী মতুং ইন্না গমভীবু ফাবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন লোয়শিন্দুনা আই পি সিগী সেক্সন ৩৬৬।৩৬৮ অমদি ৩৭৬কী মখাদা চার্জসীট কুমজা ২০১৭কী জুন ২৯দা জে এম আই সিদা ইম্ফাল ইষ্টতা লানখৎখি।

ট্রাইয়েল চখবা মতমদা প্রোজিক্যুসন ৱুইটনেস ৯গী ৱারোল তাখি। লোয়ননা কনভিক্টকী মায়কৈন্দগী নুপী মচা অদু জুলাই ১৯,২০১৫দা মতৈ–মনাও ওইনবগীদমক্তা চেনবনি। রেপ নত্তে হায়বা ৱাফম পুখৎলকখি।

কোর্টনা পব্লিক প্রোজিক্যুটর বিশন্তর অমদি ডিফেন্স কাউন্সেল এ কুমারজিৎকী ৱারোল মরিকুম্না তারবা মতুংদা ঙসিগী জজমেন্ট অদু লাউথোকখিবনি।

কোর্টকী জজমেন্ট অদু লাউথোক্লবা মতুংদা গম্ভিরবু পুলিসনা ফাজিনবগা লোয়ননা জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা সজিৱা জেলদা থাজিনখি।

# কোংবা তুরেলসু নম্বুল তুরেলগুম্না অমোৎ অকায় ...

*লমায় ১গী মখা*

নম্বুল তুরেলবু অরুবা ঈচেল চেলহন্নবা থৌরাং লৌখৎনবা শেল পীরকপখ্রে।

মসিদা নত্তনা মণিপুর লৈঙাক্লা লমদম অসিগী মরুওইবা তুরেল ৭ ইম্ফাল, ইরিল, খুগা, খুজাইরোক, লোকচাও ,মণিপুর তুরেল অমসুং থৌবাল তুরেলসু নৌহৌননা শেমগৎনবা প্রোজেক্ট শাদুনা থাখিবগী ৱাফম লৈরে। অদুবু কোংবা তুরেলদি লৈঙাক্লা মীৎয়েংসু চংবীরমদ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরিবা তুরেল অসিগী শোকচিনলক্লিবা ফিভম অসিদগী কন্নবা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎপগী মমি উদ্রি ।

তুরেল অসিগী মপান্দা তারিবা কোংবা উচেক্লোনদগী এম তোম্বা কৌবা অহল অমনা পাউচে অসিগা উন্নবদা হায়, মতম অমদা কোংবা তুরেল অসি য়াম্না মরুওইবা তুরেলশিংগী মনুং চনলিবনি। মতম অদুদা তুরেল অসিগী ঈশিং অসিনা য়ুমগী চাক থোং থাকপা, ফিশু ফিজাম তৌবা, কোল্লিং ফেঙবা চাম্বগী থবক্তা শিজিন্নল্লিবনি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা তুরেল অসিগী ফিভম অসি খম থেংনা শোকচিনলে।হন্দক্কী চহী অসিদা তৌরিবা অসিগুম্বা তুরেল মনুংদা কবোকংনা পীক থন্না হৌজিনবা অসি মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রি।

তুরেল অসি মোৎশিনবা অসিনা কাঙ মরুম কোকফম ওইরে। ঈশিং মচু ওনলে, মনম চেল্লে। মসিদি মীওইবনা শিজিন্নবদি লায়রদুনা শাষণ ফাওবদা পীথক্লিংদবগী থাক অদু য়ৌরে। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা তুরেল খোঙনুংদা মোৎশিনলিবা অসি শেঙদোকপীদুনা মহৌশাগী কোংবা তুরেলগী ঈশিং অদু ফংহন্নিংই। লোয়ননা মীয়াম্নসু তুরেল খোঙনুংদা অমোৎ অকায়শিং লংথোক্তুনা তুরেল মোৎশিনবগী হৈনবী অসি থাদোক্তুনা তুরেল অসিবু তরু তরুবা ঈচেল চেলহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

# চেন্নবা মীহাৎপশিংনা চপ–চানা...

*লমায় ১গী মখা*

খক্তা অরুনগী মীহাৎ অসি চখবা ওইরমগনি হায়বসি থাজবা ঙমদে। অতোপ্পা মীওই শোয়দনা য়াওরমগনি। মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা পুম্নমক চপ–চানা পুথোক্তুনা চৈরাক পিদ্রিফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি।

মহাক্না হায়, খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংদগী হৌনা ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী থিংদুনা লাকখিবনি অদুবু ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস এস পি জোগেসচন্দ্রা হাওবিজমগা উন্নরুবদা প্রধান রবি অমদি লৈখিদ্রবা অরুনগী লোয়নবী হেলেনগী মথক্তা অথুবা মতমদা চার্জসীট থাগৎলগনি হায়না থাজবা পিরকপদগী লম্বী থিংবগী মহুত্তা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। অদুবু ঙসি মীয়ামগী মীফম অমুক হন্না পাঙথোক্তুনা মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং চপ–চানা পুথোক্তুনা শিবগী চৈরাক পীদ্রিফাওবা ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বীদা মতম কক্তবা বন্দ তৌনবা ৱারেপ লৌরে। হয়েং অয়ুক পুং ৫ তাবা মতমদগী হৌগদৌরিবা ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী বন্দ অসিগী মনুংদা লাইনিং–লাইশোন, এদুকেসনগা মরী লৈনবা অমদি মেদিয়াগী মীওইশিংদি কোমথোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# আই এম সি মথৌ তৌদ্রে, তুমদুনা লৈরে...

*লমায় ১গী মখা*

মহুত্তা লম্বী মপান্দা হেক্তমক চায়–খায়দুনা লংথোকপশিংগী মথক্তা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়খি।

অমোৎ অকায়, ফত্ত হৌদিশিং মফম চাদনা লম্বী মপান্দা হুন্দোকপা অসি আইনগী ৱাংমদনি। মীয়াম্না অমোৎ অকায়শিং মফম চাদনা হুন্দোক্কে হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু হায়খি। মীয়াম্না ইশা ইশাগী ঙাইহাক্কী খল্লগা ফত্ত হৌদিশিং পংহুন্দা হুন্দোকপগী থবক লেপ্পসি হায়না রাধাকিশোরনা মখা তাখি।

ইম্ফালগী খোয়াথোং এ বি সি গোদাউন মমাংদা লমদম অদুগী মৈরা পায়বিশিংনা ফত্ত হৌদি হুন্দোকপীগনু, কনাগুম্বনা হুন্দোক্লবদি ফাইন লুপা ৫০০ থিহনগনি হায়না ইদুনা থেৎলবা ফাওবদা ফত্ত হৌদি হুন্দোকশিনবা অসি লাইবক থিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। লোয়ননা মফম অদুদা অমোৎ অকায়, ফত্ত হৌদিনা মিটর ২০ লোম শাংনা চায়খায়দুনা লৈরম্বা থেংনখি।

মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা কুমজা ২০১৬ তা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টকী এক্ট অমগী মখাদা নোটিফিকেসন কয়ারক থোক্তুনা মফম চাদনা সোলিদ ৱেষ্ট, প্লাষ্টিক ৱেষ্টকী পোৎলমশিং হুন্দোকপা থেংনরগদি লুপা লাক্ষ ১ ফাওবা ফাইন থিবা নৎত্রগা জেলদা থম্বগী চৈরাক পীবা য়াই হায়খি।

মীয়াম্না মফম চাদনা অমোৎ অকায় হুন্দোকপা মতমদা শোকহনগদৌরিবা অসি ঐগী ইচা ইশু অমসুং ঐখোয় ইশাদনি হায়বসি ৱাখলদা ফাওবীবা তাই হায়খি।

মহাক্না হায়, ইম্ফাল সিতি মনুংদা অমোৎ অকায় মফম চাদনা হুন্দোকপদা আই এম সিনা য়েংদুনা লৈরি। আই এম সিগী ওফিসিয়েলশিং তুমদুনা লৈরৱা হংখি। তৌগদবা থবক তৌদ্রে হায়না ফোঙদোকখি। সভেন্ট পে পীয়ু,খুৎশুমন হেনগৎলু হায়না দিমান্দ তৌরগা থবক্তি নিংথিনা তৌদনা লৈরে হায়খি।

ইম্ফাল সিতি অসি য়াম্না কা হেন্না চাউবা সিতি অমা নত্তে। মসিবু লুনা নান্না থম্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্লা ইশাগী ইথৌদাংনি খন্না লৌবিয়ু।

মাহুদ দিপার্টমেন্ট, মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ, আই এম সি, লৈকাইগী ক্লব ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বীশিং য়াওনা মীপুম খুদিংমক্লা অকনবা মীৎয়েং চংমিন্নদুনা সিতি অসিবু লুনা নান্না থম্নবা হোৎনসি হায়খি।

মহাক্না হায়, প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং অসি মফম চানা মীয়াম্না পৈশিন্দুনা থম্বিরগা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দতা পাউ পীবিয়ু, বোর্দকী মায়কৈন্দগী খোমগৎপা লাকচগনি। প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং অসি বোর্দনা লৌবা লাক্লগনা কেজিদা লুপা ৯দগী ১০ ফাওবা পীগনি অদুগা কনাগুম্বনা পুরক্লগনা লুপা ১৩ ফাওবা পীগনি হায়খি। শিজিন্নদ্রবা প্লাষ্টিকশিং মীয়াম্না চায়খায়দুনা মাঙহনবীবা তৌবিগনু হায়–খ। প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং অসি হৌজিক কোইলাস ওইনা ওম্থোক্লগা লম্বী শেম্বদা শিজিন্নবা হৌরবনি। লম্বীদা অমোৎ অর্কায়শিং হুন্দোকপা থিংবদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়না আপীল তৌখি। হৌজিক চায়খায়দুনা লৈরিবা অমোৎ অকায়শিং অসি অথুবদা লৌথোকপীনবা মাহুদ দিপার্টমেন্টতা বোর্দকী মায়কৈন্দগী চে ইরগনি হায়না রাধাকিশোরনা মখা তানা ফোঙদোকখি। থোং নম্বোনবীদগী কৈশাম্পাৎ থোং ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অমোৎ অকায়, ফত্ত হৌদিশিং অসি মরি লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শংশিংগা খুৎশম্নরগা শেংদোক্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# মতিক চাবা চৈরাক পীদবনা ক্রাইম মশীং...

*লমায় ১গী মখা*

লৈবশিং ফাদুনা মতম চানা চৈরাক পীবা ঙমদ্রিবসি অঙকপা ফাওই। অঙাং অসিনা টেলিফোনগী খূখাংদা চেল্লে হায়রক্লবসু নুপী মচা অসি চহী শুদ্রিবনি। নম্ফুন্দা ফাদুনা এক্যুইজকী ইমুং–মনুংনা লৌতুনরগা কিহন্দুনা হায়হনবা ওইরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। মসিদা নুপীমচা অসিদগী রিপোর্ট লৌরগা পোক্সো এক্ট পাল্লগা থিবা–হুম্বগী থবক চখগদবসু জে এস সি সিনা কেস অসিগী আই ও উন্নরুবদা মদুগী রিপোর্ট অমত্তা লৈরমখদে। থৌদোক অসিগী অচুম্বা লংলা–লংজিন ফঙহনবদা থৌশাদ্রে হায়বসি ময়েক শেংলে। অদুনা কেস অসিগী আইওগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌরোইদবগী মরম লৈতে।

অদুনা ঙসিদগী নুমিৎ ১৫নি ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী লো ইনফোর্সিং এজেন্সিশিংনা থৌদোক অসিগী অচুম্বা লংলা–লংজিন থিদোক্তুনা নুপী মচা অসিবু ইমুং–মনুংদা শীন্নদবা তারগদি জে এস সি সিনা লমদম অসিগী সি এস ওশিংগা তান্নরগা নুপী মচা অসিবু ফঙননবা লোগী মতেংগী লৌরগনি। লৈঙাক্লসু ষ্টেট অসিগী লো ইনফোর্সিং এজেন্সিশিংবু মথৌ চপ–চানা তৌহনবীয়ু। লোয়ননা নুপী মচা অসিগী লংলা–লংজিন ফঙননবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাঙবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।